# ঐগী ফুটবোলগী জর্নিসি চহী অনী অহুমসিদা লোইশিঞ্জরগনি, ঐনা শুহনগে খঞ্জরিবা ইন্টরনেসনল মেচ ১০০ সি হেক শুবগা পোথাজরগনি



এল আশালাতা
*(ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর)*

(ঙরাংগী মখা)

অমরোমদা, অচৌবা কম্পিটিশনশিংদা শান্নরিবা মেচশিং অসি অমগা অমগা মান্নগনি হায়বা করিসু লৈতে। পোজিশন চুম্না, মশা মশাগী মথৌ মশক খঙনা থৱায় য়াওনা ফজবা শান্নরক্লগদি টিম মেচতদি য়াম্না নুংঙাইবজ ৎনি। মসিসু নুমিৎ নুমিৎকী ওইনা খেন্নবদি অদুম লৈখি। প্লে য়াম্না ৱানা শান্নগনি খল্লুরগা পঙনুংদা নুংঙাইখিবা, মেচিং য়াম্না চানখিবা মেচশিংসু ফনা য়াম্না য়াওখি। পুক্নিং য়াম্না ৱানা শান্নরগা ইরায় লায়না ইশাগা ইৱা ৱাহৌদনা ৱিন্নর ওইরগা হল্লকখিবা অদুগুম্বসু অদুম থেংনরকখি। শান্নবা হায়বসিদদি তম্বা ঙমদবা খরসু লৈতবদি নত্তে।

ঐহাক্না ফুটবোল্লর অমা ওইনা ইন্টরনেসনল থাক্তা মেচ মথং মথং ৯২ রক শান্নজরকখিবসি মাই পাকপা মায়থিবা কয়া কয়ানি। কুমজা ২০০৮ দগী হৌনা অন্দর - ১৭ দগী শান্নজরকখিবসি ইন্টরনেসনল থাক্কী লোইনমক থারগা মেচ ৯২ পুন্না শুখ্রে। মীওইবগী মতম হায়বসি করিসু খঙহৌদে। খুঙ্গংগী অপীকপা লম্পাক মচা অমদগী হৌজরকখিবা ফুটবোল্লর ঐহাক্না মথং মথং অসুম শান্নরকপদা ৯২ শুরম্বসি ঐসু ইথন্তা অঙকপা ফাওই। য়াম্না ৱানা শেমজরকখিবা ইশাগী স্পোর্টস কেরিয়রসি মপুং খরা ফানা ইন্টরনেসনল মেচ ১০০ দি শুহল্লগা পোথাজগে হায়নদি কন্না খঞ্জরি। অদুগা পোথাবগী মতম অসিসু, ঐহাক্তি ফজনা শান্নজবা ঙম্লিঙৈসিদা ওইহঞ্জনিংই। ঐনা শান্নজরিবা দিফেন্দরগী পোজিশনসিদা অফবা অচঙবা মমাংদা লৈরম্বা কয়া, তপ্পা তপ্পা লোইশিনখ্রগা ঐখোয়সি অমুক থুঙলখিবনি। অদুবু, হৌজিক্তি ঐখোয়গীসু মতম লোইশিল্লক্লগনি। ঐখোয়না শান্নগদবা মতম কুইশিল্লক্রে হায়বসিসু ইশানা য়াজে। শাংলবদা চহী অহুম মরিদগী হেন্না মমিং লৈনা শান্নবা ঙম্লক্লরোই। অনৌবা অঙাংশিংনা মথং মথং মহুৎ শীঞ্জিল্লক্লগনি।

অদুগা, ইন্দিয়াগী ওইনা নুপী ফুটবোল শেমগৎপা মওংসিমদি থোইদোক্না পীন্নিংঙাইদি ওইদে। নুপাগীদি খরা অদুম শেমগৎপগী মমি ফজনা তারি। শেল-থুম মতিক চানা থাদদুনা শেম্বা অসিসু নুপাগীদনা য়াম্না হেল্লি। প্লেয়র শেমগৎপসিদা চাওনা খেন্নবদি অদুম লৈরি। ইনি

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা

অঙাং থোরক্লগদি, ঐহাক পোথাগে হায়নসু খল্লি। হৌজিক্তি অফবা অঙাং খরসু য়াওরক্লে অদুনা ঐখোয়না শান্নবদগী পোথাখ্রবসু ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমদি ফজনা লেপহৌবা ঙমগনি হায়নসু খল্লি।

অমরোমদা, মীওইবা হায়বসিদি মাগী মাগী মতম লোইনা লৈনবা ঙাক্তনি। মফমনা, মতমনা অহোংবা হায়বসিসু অদুম লাক্কনি। ঐখোয়গী দয়ানা হৌজিক তৌরিবসিদি নুপাদা থাদরকপা শেনফম্না নুপীগীসু চল্লাইবনি। হন্দক্তি ৱর্ল্ড কপতসু শেল য়াম্না থাদরক্তবনা, ঙম্না ঙম্নবা হোৎনদুনা লৈরে। স্পোন্সর য়াম্না ফংদবনা মরম ওইরগা শেল পীক্না পীক্না থাদরকপা খরসিনা লোইনমক চল্লাইদুনা লৈরে। মরকসিদা খিত্তং নুংঙাইবা অমদি, স্পোন্সর নীংথিনা ফংদ্রবসু, হন্দক্তি ইন্দিয়ানা অন



দর - ১৭ ৱর্ল্ড কপ নুপীগী হোস্ট ওইগদৌরি। মসিসু ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোলগীদমক্তদি গোল্ডন চান্স অমা ফংবগুম্বনি। ইন্দিয়াদা তাবা মতমসিদদি ঐখোয়গী জুনিয়র প্লেয়রশিং নীংথিনা ফোকস তৌহৌবা চুমগনি। অন্দর - ১৭ সিদি য়াম্না ফবা অঙাংশিংসু য়াওরি। মসিদা খোঙফম চুমহৌরগদি, মশাগী মরাইবক লেপ্পদসু হেন্না কান্নগদৌরিবনি। মণিপুর মচাশিংগী মনুংদগী য়াম্না ফজনা শান্নরক্লিবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা শিলকিসু অমনি। হৌজিক হৌজিক মহাক মিস সুরমালা (মণিপুর পুলিস টিমগী কোচ ওইবীরিবী)গী ক্লবতা শান্নরিবা প্লেয়রনি। শিলকিসি হান্না স্ট্রাইকর শান্নরম্বদগী হৌজিক্তি দিফেন্দরদা শান্ননবা কন্না হোৎনরক্লি। চহী নৌরিবী মণিপুরগী মমিং লৈরক্লবী ফুটবোল্লরশিংগী অসিবুসু, পুক্নিং থৌগৎপীদুনা অন্দর - ১৭ গী ৱর্ল্ড কপসিদা পর্ফোর্মেন্স ফজনা পীবা ঙম্নবা মেদিয়াগী কাঙবুনসু মতেং পাঙবীরকউ হায়জনিংই। গ্রাস রুটতগী খরা মখোঙ শেংনা চুম্না লাকপা অঙাংশিং অসিদি, অৱাংবা থাক য়ৌনা ফজনা শান্নহন্নিংই। মেদিয়া কাংবুনসু মতাং মতম চানা পুক্নিং থৌগৎপীদুনা মখোয়বু ইনখৎপীরকপা পামজৈ।

অরোইবসিদা, ঐনা থমজনিংবা ৱাফম অমদি, মতম অমদা স্কুল স্কুলশিংদা পি ঈ টিগী ক্লাস ফজ ফজনা তৌবীরম্বদু, হৌজিক মখা চৎথহঞ্জনিংই। অদুগা, স্কুল অমা লৈবা তারবদি শান্নফম গ্রাউন্দশিংসু মতিক চানা লৈহনবীয়ু হায়বসিমসু থমজনিংই। স্কুল স্কুলশিংদা স্পোর্টসকী ওইবা সেক্সন, আর্ট এন্দ কলচরগী সেক্সন লোইনমক থম্বীবা তারবদি, হৌজিক মতমগা চানবা মহেরোয়শিংসু পুথোকপা ঙমগনি। গ্রাউন্দ থম্বীরবদি, স্পোর্টসকী ক্লাস তৌবদসু হেন্না খুদোংচাগনি। শান্ন-খোৎনবদা মমিং লৈজগদবা, আর্ট এন্দ কলচরদা মীৎচৎ পুরক্কদবা মীওই কয়া ঐখোগী লাইরিক খুৎতম্বীনা মাঙহনবসিদি অচুম্বা থৌওং নত্তে। শান্না-খোৎনবগী মতাংদসু মশা মশাগা চানবা গেম মখলশিং, লাইরিক্না লোইননা লাক্লগদি ঐখোয়গী অঙাংশিংসু মালেম পুম্বগা লম্বা পাবা ঙমগনি। অদুনা মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা এদ্যুকেসন সিষ্টেমসি ঐগী ওইনদি খরদং হোংদোকহঞ্জনিংই। মণিপুরসিদদি শান্নবগা মরী লৈনবা ক্লাসশিং হাপ্পনা চুমগদ্রা খল্লি। পাক্তক্না ষ্টেটসিদা লৈরিবা স্কুলশিং অসিদগী শান্নরোয় শেমগৎলকপা তারবদি, মণিপুরদা স্পোর্টস শুকশি শিথরোই। অনৌবা খোঙথাং অমগা লোয়না হৌজিক থবক পায়খৎপা মতম ওইরে। শান্নরোয় য়োকখৎসি, স্পোর্টস কনসি হায়রবদি মণিপুরদা লৈরিবা এসোসিএসন খক্তনা য়ারোই। স্কুল, কোলেজশিংদসু স্পোর্টসকী অকনবা মুভমেন্ট লৈহনবা চুমগনি হায়বসি ঐগী ৱাখলনি। (লোইরবা)





## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১১

১) THE KHOMEINI OF ICE HOCKEY হায়রগা কনাবু খঙনৈ?

২) ওলিম্পিক অমদা য়োচিং (য়োটচিং)গী লমজেলদা মেদল অমত্তা ফংহৌদবদগী হিরোইশিং অদুনা য়োটচ অদু মৈ থাদোকখি। য়োটচ অদুগী মমিং পীয়ু।

৩) দি এম কোলেজ মণিপুরগী খ্বাইদগী লিরবা কোলেজনি। কোলেজ অসি চহী খুদিংগী মশামক 'মিষ্টর দি এম কোলেজ খল্লি। মখাগীশিং অসিগী মনুংদা D.M. কোলেজ ওইখিবা অমগী মমিং পীয়ু।

মংলেম সিংহ, মায়পাক সিংহ, ব্রোজেন সিংহ, চাতুকিনি সিংহ

৪) নুপামচা, গম্বীর চান্দ, লাক্সানা, সানাবা, ইবেনুংশি, ইন্দুবালা পীরিবা মমিংশিং অসি শান্নবগী থৌরম অমদা মমিং চৎলি, অতোপ্পা অমদি মমিং চৎলবসু শান্নবগী থৌরমদি মান্নদে। মহাক্কী মমিং হায়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারি ৩০, শাগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# আর এফ সী খম্নাম লৈরক্না দ্রেস হাউসপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে





ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস):

ঐচ ৱাই পি সী হয়েলনা শীন্দুনা হয়েন শান্নবুঙদা চথুরিবা প্রধান ট্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্না দ্রেস হাউস এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচতা আর এফ সী খম্নাম লৈরক অমসুং দ্রেস এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক মাংজিল থানা এটেক কয়া চথনদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা দ্রেস হাউসকী কাউশিনখিবা বোল অমা টিম অদুগী শান্নরোয় মোনিস জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল চনখি। মখা তানা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্কী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর চন্নবা এটেক কয়া চথখ্রবসু অহানবা হাফ লোইশিনখিবদা দ্রেস হাউসনা আর এফ সী খম্নাম লৈরকপু পাঞ্জল ১-০দা হেনখি।

মেচকী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা আর এফ সি খম্নাম লৈরক্না বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় কিসন জর্সি নম্বর ৭না ইক্কেলাইজর চনখি। মখা তানা মেচ চেম্পিয়ন ওইনবা চথুরকপা এটেক অমদা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্কী মায়কৈদগী ৪১শুবা মিনটতা টি ঐচ কিসন জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা হেনখি। মখা তানা টিম অদুগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা এক্সত্রা টাইমগী ১৮শুবা মিনটতা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্কী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা কিসননা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিন্দুনা মেচ অদু ৩-১দা মখোয়না দ্রেস হাউসপু মায়থীবা পীখি।

# ইন্দিয়াগী স্রিকান্ত, সমির, প্রনোয় অমসুং সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দদা মায়থীখিবদগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে

PRINCESS SIRIVANNAVARI THAILAND MASTERS 2020 TOYOTA





বেঙ্কোক, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):

ঙসিদগী হৌখিবা থাইলেন্দ মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় অহুম কিদম্বী স্রিকান্ত, সমির বর্ম্মা অমসুং ঐচ এস প্রনোয় লোয়ননা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দা মায়থীবা হৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্ত ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় সেসর হিরেন রুস্তাভিটোগী মখুৎতা অকনবা লম্বা তৌনরম্লগা ২১-১২, ১৪-২১, ১১-২১দা মায়থীহৌখি।

কাংলুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সমির বর্ম্মা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ শান্নরোয় মলেসিয়াগী লি জি জিয়াগী মখুৎতা ইকোম কোম্না ১৬-২১, ১৫-২১দা অহানবা রাউন্দ অদু মায়থীহৌখি।

নুপাগী কাংলুপ অসিদা ইন্দিয়াগী ৩শুবা শান্নরোয় ওইখিবা ঐচ এস প্রনোয়না মলেসিয়াগী লিয়ু দারেনগা লম্বা তৌনবদা গেম ৩ চঙখি। অহানবা গেম মলেসিয়াগী দারেননা ২১-১৭তা থোইখি। অদুগা অনীশুবা গেমদা শান্নরোয় অনীগী অকনবা লম্বা প্রনোয়না ২২-২০দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি। অদুবু অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা প্রনোয়গী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পোইন্ট ১৯-১৯দা মান্নদুনা লৈরবা মতুং থংনবা পোইন্ট ২ দরেননা লৌখিবদগী ২১-১৯দা থোইরগা প্রনোয় লৈহৌখি।

থাইলেন্দ মাষ্টর্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ক্কী শান্নরোয় লিনে হোজমার্ক কিয়র্সফেলটকা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম হোজমার্কনা ২১-১৩দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুনা নেহৱালনা ২১-১৭দা থোইরগা দিসাইদিং গেম শান্নরকপদা নেহৱালবু হোজমার্কনা ২১-১৫দা থোইদুনা ২শুবা রাউন্দ চঙখি। টুর্নামেন্ট অসিদা সাইনা নেহৱাল মায়থীহৌবদগী ইন্দিয়াগী কেম্পেইন অহৌবা নুমিৎতা লোইশিনখি।

# ইন্দিয়াগী দিবিজ সারন নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে, রোহন বোপানা অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে

australian open





মোলবোর্ন, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):

চহীসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় দিবিজ সারন অমসুং ন্যু জিলেন্দগী পার্টনর অর্টেম সিটাক মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। অমরোমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রোহন বোপনা জপানগী য়ুসুতাকা উচিয়ামাগা পেয়র ওইরগা শান্নরকপা অদু অহানবা রাউন্দদা মায়থীখ্রে।

দিবিজ সারন অমসুং ন্যু জিলেন্দগী অর্টেম সিতাকনা অহানবা রাউন্দদা ঙসি পোর্টুগালগী পাব্লো কারিনো বুষ্টা অমসুং স্পেনগী জেৱা সোসাবু পুং ১.৩০ রোম চঙনা লম্বা তৌনরবা মতুং ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৭-৫দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী দবলসকী শান্নরোয় রোহন বোপানানা জপানগী য়াসুতাকা উচিয়ামাগা পেয়র ওইদুনা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অদু মমিং লৈরবা য়ু এস এগী পেয়র মাইক অমসুং বোব ব্রাইনগা ওইখি।

অহানবা সেট অদু য়ু এসকী পেয়র অদুনা ৬-১দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা বোপনা অমসুং উচিয়ামানা ৬-৩দা থোইদুনা দিসাইদিং সেট লম্বা তৌনবদা বোব অমসুং মাইকনা ৬-৩দা থোইদুনা বোপানা অমসুং উচিয়ামা লৈহৌখি। বোপানা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তারকপদা ইন্দিয়াগী সানিয়া মিরজাগা পেয়র ওইদুনা মিক্স দবসলকী লম্বা মখা তানা শরুক য়াগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা টাইটল ৭লক লৌবা ঙমখ্রবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী টাটসুমা ইটোবু ৬-১, ৬-৪, ৬-২দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। জোকোবিসনা অহুমশুবা রাউন্দদা বৃটেনগী দেন ইভেন্সপু মায়থীবা পীরম্বা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোয় য়োসিহিতো নিসিয়োকাগা লম্বা তৌনগনি।

গ্রান্দ স্লামগী রোকোর্দ কয়া থল্লবী য়ু এসকী সেরিনা ৱিল্লিমসনা ঙসি অনীশুবা রাউন্দদা জাদিনসেকপু থোইদুনা গ্রান্দ স্লামগী ৪০০ রকশুবা মেচ মায় পাকখি।

# লোরেঞ্জো ইন্সিগনেগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা লাজিওবু মায়থীবা পীদুনা নাপোলি ইটালিয়ন কপকী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে

COPPA ITALIA



মিলান, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):

ইটালিগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইটালিয়ন কপ (কোপা ইটালিয়া)গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা লোরেঞ্জো ইন্সিগনেগী পাঞ্জলনা লাজিওবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মিলানদা লৈবা সান পাউলো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল নোকআউট মেচ অদু টিম অনীগী হান্নগী প্রফোর্মেন্স য়ুংলুবদা লাজিওনা ফজবা হেনখি। হৌজিক হৌজিক লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা লাজিও ৩শুবা থাক্তা লৈরিবনি। অদুগা নাপোলিগী টিম ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু নাপোলিগী মায়কৈদগী মেচ হৌরকপগী মিনিট ২ ফাবাৎত্রিঙৈদা লোরেঞ্জো ইন্সিগনেনা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেচ অদুদা পাঞ্জল শোথরবা লাজিওগী মায়কৈদগী মখা তানা ইক্কেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখিবা এটেক পুম্নমক নাপোলিগী দিফেন্দরশিংনা মায় পাকহনখিদে। ঙসি অথেংবদা জুবেন্টস অমসুং রোমা লম্বা তৌনগনি।

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সীনা ওরিষা এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে

INDIAN SUPER LEAGUE
IMG RELIANCE STAR

Match on 23 Jan. (Thu) 2020
CHENNAIYIN Vs JAMSHEDPUR

বেঙ্গালুরু, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো আই এস এল টুর্নামেন্ট ২০২০ ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সীনা ওরিষা এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা বেঙ্গালুরু মেচ ১৩ দা পোইন্ট ২২ ফংলগা অহুমশুবদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, ওরিষা এফ সী মেচ ১৩ দা পোইন্ট ২১ ফংলগা মরিশুবদা লৈখি। বেঙ্গালুরু এফ সীনা য়ুম্বু ওইরগা সিটি অদুগী স্রি কান্তিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী অঙম্বা শরুক শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফ সীনা চথখিবা এটেক অমদা ঈ পার্টালুনা পাস তৌরকপা বোল অমা টিমমেট দিব্রাউননা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থারদুনা মখা তাবা এটেক চথবা ঙমখিবা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী ইকান কান্নদনা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা রাহুল ভেকিনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

লিগ টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারখিবা ওরিষা এফ সীগী মায়কৈদগী বেঙ্গালুরু এফ সীনা মখোয়গী মথক্তা অথুবা মতমদা পাঞ্জল ২ চনশিনখিবা অদু হন্দাক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু বেঙ্গালুরুগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরবা মতুং মিনট ১৬ চঙশিল্লকপা মেচকী ওইনা ৬১শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরুগী এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩-০ দা হেন্দুনা লৈখিবা অদু ওরিষানা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু লোইশিনখি। বেঙ্গালুরুনা মেচ ১৪ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ২৫ ফংলগা মাঙজিল থারি। এ টি কে অমসুং এফ সী গোৱানা মখা তারি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bengaluru | 14 | 7 | 4 | 3 | 18 | 9 | +9 | 25 |
| 2 | ATK | 13 | 7 | 3 | 3 | 23 | 10 | +13 | 24 |
| 3 | Goa | 13 | 7 | 3 | 3 | 25 | 16 | +9 | 24 |
| 4 | Odisha | 14 | 6 | 3 | 5 | 19 | 19 | 0 | 21 |
| 5 | Mumbai City | 13 | 5 | 4 | 4 | 19 | 21 | −2 | 19 |
| 6 | Jamshedpur | 12 | 4 | 4 | 4 | 16 | 17 | −1 | 16 |
| 7 | Chennaiyin | 12 | 4 | 3 | 5 | 16 | 19 | −3 | 15 |
| 8 | Kerala Blasters | 13 | 3 | 5 | 5 | 18 | 18 | 0 | 14 |
| 9 | NorthEast United | 11 | 2 | 5 | 4 | 9 | 16 | −7 | 11 |
| 10 | Hyderabad | 13 | 1 | 2 | 10 | 13 | 31 | −18 | 5 |